

"ইমাগী য়াথং ঙাকপা ঙল্লবদো মরাইবক ফরবনি
মহাক মঙ্গল ওইরদৌবনি।"
- হিজম গুণ (খদাংগী শম্বু)

শৈরেং

## থম্মোয়না থম্মোয়দা

—শ্রীকাংজম নন্দকুমার

অশেঙবা চরৈ
ফিশেঙ শেৎতুনা
থম্মোয়দা অমকপা
অমতা লৈতনা।
মপু মাগী মশাইকোল
চঙজরুই
মা, ঐ
অঙনবা কোরৌ নোংমা
হৈপাল-লৈপালনা
য়েন্নিং হুনবা মতম অমদা।
মা, ঐ
য়েৎ, ওই খুকউ লৈতানা
মপু মাগী মাংদা
থৌনিজখি তুংলমচৎ
পুন্সি খোঙচৎকী।
নীংথিরবা হৈরাং লৈরাং
ধুপ থাওমৈগা লোয়ননা
করিবু তন্বীরমখিবা, করিবু হায়রমখিবা
মোমোন নোকচখিবা মায়থোঙ অদুতনি
লোৎনা য়েংজহৌখিবদি।
ঙসিসু মায়থোঙদুগী মমিদো
তারদুনা লৈহৌরি ঐগী
থম্মোয় অসিদা
মুৎলু খক য়াদবা মখে
অশেঙবা চরৈ ফিশেংদুগী
মহয় ওইনা।

## পামজবা মচু

—শ্রীরামেশ্বর লাইশ্রম

পামজবা কৌবা মচু
কয়াদা খোয়দাজবা নঙবু
চুহঞ্জনীংই থম্মোয়নুংসে
পামজবা কৌবা নঙতগী মচুনা।

কনাগী সনা মচু
কনাগী লুপা মচু
কনাগী নাপু, কনাগী হিগোক
ঙমদ্রে নমহৎপা পামজবা কৌবা মচু নঙবুদি।

থাবলগী মঙালনা ফিঙৌ ফৌবদা
লুপা মচুনা লৈতেংলবা অহিংগী নিংথিবা,
ঙঙ্গানরবা নোংজাবীনা য়ৈবদা
কোরি ওল্লবা তময়াগী ফজবা।

ওইসনু মহৌশাগী ফজবসে
ৱাখল লৈবা অইবগী অপেনবা
কয়াদা পূক্লিং হুনা পেঞ্জবা
পামজবা কৌবা মচু নঙগী ফজবদা।

## ৱারী অমা

—রিশিকেশ এলাম

লোইশিল্লক্লে পুন্সিগী ৱারী অমা
অনৌবা চেনাতনা ঙাইদুনা লৈরে।
তারিবা থম্মোয়গী
অৱাবা মৈচাকসে
ফোংবদি ঙমদে
চিনবান থোক্লা।
ইরমগে-
থম্মোয় কায়না ৱারীসিমতংদি
চেনাসিনা লোইদ্রিফাও।
নুংশিরবা নোংজু থাগী
ফজরবা অহিংদা
থাজনা,
লৈচিল মফোলদা লোৎপগুম
লোৎলরে-
নঙগী নুংশি শক্তমসু
ঐগী থম্মোয়নুংসিদা।
মদুনা,
ওইহৌরনি পুন্সিগী ৱারী অমা ওইনা।
পুদুনা চৎলনি ৱারী অদু
খোঙথাং খুদিংদা।
হাংলরোই অনৌবা
চেনা কয়া কয়ানা লাক্লবসু।
থৱান্নীচাকশিংসু লোৎখ্রে
ঐগী ইতৌ উরগা।
নোক্লুরি মখোয়না,
ঐগী মল্লবা পুন্সিবু উরগা।
থৌনাদি য়াওদা
ইদোম চাকচরি
ইদোম কপচরি
থাবলগী মঙালতবু ঙায়জদুনা।

## নোংলৈ

—শিন্থাঙম্বা খুমনচা

খঙহৌদনা হুল্লকপা নোংলৈসে
ওন্থোক্লা শাফু কনখ্রে
কল্লবা শাফু মরক্তা থৌনা লৈনা
লেপ্তুনা নোংলৈদগী হিংহৌরে
করম্না নোংলৈসে লাকখিবনো
মালেমগী অঙ্গৈং অশা খল কায়রকপনরা?
খূৎশেমগা মহৌশাগা মুক্নরকপগীরা
ঐ হায়বা ঙমদে নোংলৈ নঙসু
ননীং তমজরো ঐগী লিক্লমদা চৎচরগে।
হৌখ্রবা থৌদোক কয়াদুনা
নঙ ঐগী মরক্তা লৈরম্বা
নুংশিবগী শহুম অদুদি
ঐগী থম্মোয়গী লকানুংদা
ৱামৈ ওইনা চাক্লরি।
চৎলোকো নঙদি নোংলৈ
নুংশিৎ ফংদ্রবা মফমদুদা
ঐ নোক্লা-নোক্লা লেলগে।
পীজরি য়াইফ থৌজাল
হে অৱাংবা শম্বলগী থম্মোয়।

## উপাল মচা

—নোংথোম্বম ওংবী থোকচোম রিতা

উপাল মচা অমখক
থাখি পূক্লিংনা খোয়দানা
য়ূমগী লৈতেং ওইহনগে।
পূক্লিং লুপখি মফমদা
য়েংজখি মিৎকুপ খুদিং,
শাগৎচরুই মঙলান কয়া...
উপালনা মপূং ফাদ্রিঙৈ
চিকথৎখ্রে তমথীরবা তীলনা
ময়োল, মরূ য়ৌনা।
কনবা ঙমখিদে উপালদো
মাঙখ্রে মঙজরম্বা মঙলান,
য়েংঙমখিদে মপুগী নোংদমখোল।
শাগৎচখি উপাল মঙোন্দা
শারেপ কাংদোং ফারকপা,
মসা মরেংনা ফল্লকান,
ওইগনি চেক্লাশিংগী কায়দোংফম,
থুপকনি মরূমদা নোংজু-নুংশা;
পুরক্কনি তাইবঙদা নুংশিবা।

## শম্বল

—পুয়াম অচৌ খুমনচা

খারিবা শম্বলসে,
অচম্বা শম্বল নত্তে;
হৈবী তিঙ্খং
অকায়বা লিক্লি মচেৎ,
য়োৎতেক-থাঙতেক,
ৱাংলবা পল
কারি নঙ + ঐগী নুংশি লন্বীদা।
দ্রামাগী খেন্নবা শম্বল
হিন্দু-মুসলিম
চীংমী-তম্মী
ইচিল-ইনাওনি
লাওরি! খোঙলি!
কদাই! কদাই!
নুংশি লন্বীসিদা।
শম্বলদুবু শিগাইরুবা
ওইহল্লি দ্রামাগী লান
চীংমী-তম্মী, হিন্দু-মুসলিম
খাইবুম-খাইবুম
থম্মোয়দা শাৎলি
থৌরবা! থাঙশাং,
শেমগৎলি-মোংফম।

## পুন্সি

—ৱারেপম তোমচা

পুন্সি হৌখিবা খঙহৌদে
নোংমা নোংমা চৎখিবা
মওন মওন থেংনরকই
মথং মথং হোংলকই।
অঙাং নৱা ওইরিঙৈ
অৱা অনা খঙদ্রিঙৈ
তাউরম্মী নুংঙাইবগী ঈপাক্তা
মোমোন নোক্লা লৈরম্মী।
অশংবা নাপিগী মথক্তা
শান্নবুংগী লম্পাক্তা লোংনা
তূমদুনা অহাঙবা অতিয়া য়েংলম্মী
লৈচিল মপৈ মপৈনা লমজেল তান্নরম্মী।
ঙসিদি মতম কৌবী লাইরেম্বীনা
মতমদু লোইনা পুখরে
অহলগী মতম ওইরক্লে
মিৎতা শংত্রিক উরকই
মিৎলু পিরাং শিন্থরকই।

## উররোই মীৎয়েংগী চান্নবীদো

—তবানু খুরাইজম

মেরাগী থাসি দিপানিতাগী নুমিদাং
উখি ফাজিনহৌদ্রবা মীৎসিনা
নিংথিরবা কেগামগী লীক্লাং মৈঙালদা
মোমগী মৈঙান্নসু ইনোৎ হাপখি
সনারৈ পরেংগা পূক্লিংবু হুনা।
মালংবা নুংশিৎনা লিরি হুল্লকপা
মুৎখিনি খন্দুনা নৌরিবী খূৎশানা
মৈরীবু ঙাকচখি নোকফেৎ তৌদুনা
মৈঙালনা তাক্লি ফজবী মায়থোঙ
ঈয়াইগী থম্বালনা মোমোন নোক্লুম্মী।
ওইখি শক্তমদুদা মীৎয়েংগী থম্ফম
নুংঙোনফম ওইখি পূক্লিং ৱাখলগী
থম্মোয়গী অরোনবা চীরোল ৱাহৈ
পুখিদে অহোয়না হুল্লিবা মালংনদি
পূক্লিংতনি খোইরাংবা মতৌদুদা
তম্বা ঙমদ্রবা নুংশিবগী সংসারদা
অপাম নুংশি ঈহৌরি থম্মোয়দি
খল্লকই মসিসু মপুগী খূৎশেমনি।
লাকই নীনি পানবা হিয়াঙ্গৈগী থাজ
চহী অমগী নিংঙোলশিংনা ঙাইজবা
নিংঙোল ওইবীগী নিংঙোল চাক্কৌবা
লাক্কনি নিংঙোলশিং মপাম লমদমদা
সনাগী মথক্তা তম্ফা থিনবগুম
ঙমজবা, লৈজবা অরোইবী কেদুনা
হিয়াঙ্গৈগী নিংঙোল চাক্কৌবা নুমিত্তা
অদুবু উররোই মীৎয়েংগী চান্নবীদো
থাসি নুমিদাংগী কেগাম্না মুৎখ্রবদা।

## য়ানরসি

—ডা. রঞ্জিৎ মঙাং

নুমিৎ লৈত্রবা মতম
ঐখোয় করি ওইনি খল্লুই
অহিংবা অমত্তা লৈনি থাজদে
নুমিৎপু লাইনি লৌবা
মীপূম খুদিং য়ানরসি
মঙোন্দগী হেনবা অমা লৈত্রে।

# লুজীগী মেদাম

## (Madame De Luzy)

- এনাটোলে ফ্রান্স

ঐনা থোঙ হাঙহল্লগা হেক চঙখিবদা লুজীগী মেদাম পৌলিননা ঐঙোন্দা মখূৎ তিংথোক্লক্লম্মী। অদুদগী ঐখোয়নী তুমিন ঙাইহাক লৈনৈ। তাল্লক্তুদা মাগী য়াল্লম্বা ফি মচাদু অমদি চরূগী টুপীদু লংথোকখিরম্মী, থৌওইদনা চৌক্রিদুগী মথক্তা।

ওর্ফিয়সতগী লাইশোন ঈশৈ অমা ঈশৈগী যন্ত্র স্পিনেটকী মথক্তা ফাক্তুনা লৈরি। মহাক্লা তপ্লা চৎখ্রগা থোঙনাও ময়াদা লেপ্লুরে, অদুগা নোংচুপকী নোংখোঙ পরেংদা তারকপা নুমিৎনা ঙাংশং ঙাংনা লৈরিদু য়েংদুনা লৈখ্রে।

- "মেদাম!" ঐনা তপ্লপ্লা হায়, "নহাক্লা কাউবিখ্রৱা, চহী অনীগী মমাঙদা নুমিৎ অসিমক্তদা হায়বীরম্বা ৱাফমদু। অদোম্না ঙসি মায় ওল্লিবা মায়কৈ অসোমদা লৈহৌবা তুরেল খোঙবানগী চীংখোঙ অদুদা।

"নহাকপু নীংশিংবিদ্রবরা, নখূৎত্তা হাইদুনা লাইফাওদৌনা ঐবু কৌদুনা হায়বিরম্বদো - হেক প্রভুনা অমুক হল্লক্তুনা অচুম অরান ৱায়েল্লগদবা নুমিত্তো হেক খঙবীরগুম হায়রম্বদো? ঐনা নুংশিজৈ হায়বফাও লোইহন্দনা অদোম্না ঐবু চূপ্পীরম্বদো অদুগা ঐবু অচুম্বগীদমক, নীংতম্বগীদমক হিংলকউ, ৱাবা থিদনা হোৎনরকউ হায়বীরম্বদো। মেদাম, ঐনা চূপচবা ফাওবা ফংহৌদ্রবা, নাঞ্জবা ফাওবা নংহৌদ্রবা নঙগী খূৎশাশিং অদুনা থিন্দুনা তাকপীরম্বা লন্বীদো খুবৈ অমা নান্থোক্তনা ঐ চৎচরুরে। অদোম্না হায়বদুমক পাঙথোক্লক্লে, তাকপীরম্বা লম্বী অদুগীদমক ঐ হোৎনবা য়াবা হোৎনরল্লে, ঙাঙবা য়াবা ঙাঙলল্লে। চহী অনীসি ৱানা খাঙলক্লে, লৌনম চাউবা, তুক্কচবা অমদি মত মান্নদবগী হৌরকফম ওইরিবা চরা হেল্লবা মীরক্তুদা। অদুগী মথক্তা মীয়াম্বু শুমদুনা ঙাঙবা ঙম্বা, মীয়ামগী লচিংবা, মীয়াম্বু নুংশিবা শাবশিংদুসু থেংনরুরে। অদুগা শক্তি পায়বশিংবু কিদুনা চঙজগনবা মীকিথীশিং অদুসু থেংনজরুরে।

তাঞ্জাদুদা মানা ঐবু অমুক্তা ঙাইখো হায়না মখূৎনা ইঙ্গিৎ তৌরকই, অদুগা করি মখোলনো তাও হায়বগুম তৌরকই। অদুদগী ঐখোয় না থাঙ্গৎতুনা তাবদা মনম নুংশিবা লৈ শাৎলিবা লৈকোন্দুগী ৱাংমদা লাঙলকপা মীখোল খরা তারকখি। উচেক মখোলদি নৎত্রে। হায়বগুম তৌরি - "হাৎলু, হাৎলু!" মদুগী এরিষ্টোক্রেট অদু ফাঁসি তৌসি।" "মাগী মকোক্তু উতুপ্লা থুগাইখো।"

- "মসি মাল্লি।" ঐনা অচিকপদু থুগাইদুনা হায়খি, "মখোয়না য়াদবা মীওই অমা তান্নবা। মখোয় অসিনা য়ূম খুদিং চঙদুনা পেরিস থুংনবা অহিং নুংথিল খাক্তনা মখোয়গী মায়োক্তা লৈবা মী ফাগৎলিবনি। মেদাম! মখোয় অসি মফমসিদসু শোয়দনা চঙলক্তৌ মাল্লি। ঐ থুনা চৎহৌবনা ফরদ্রা? মরমদি ঐদি লৈকায় শ্বাইদা খঙন-চান্নবসু ইরৈ লৈতে, ঐনা মরম ওইদুনা মেদামদা অৱাবা তারদ্রা?"

- "লৈয়ু," মানা খুল্লকখি, কৈসু তৌরোই হায়বগী মওংদা।

অমুকসু লাঙলক্লে, মায়কৈ অদোমদা, নুমিদাংৱাইগী অচিকপদু থুগাইরদুনা। মীখোলদা নৎত্রে হ দক্তি, খোঙউপ মখোলসু তারে, অদুগী মথক্তা নোংমৈ মখোলসু। সুম নকশিল্লকই, অদুগা ঐখোয়নীনা লাউবা অমসু তাখৎলক্লে - "লৈরক পূম্বা শঙঙু, মাগুম্বনা কদায়দা লীৎকনি, মীফৎতদু।"

অদুগী লুজীগী মেদাম অদুদি খুদোংথীবদুনা সুম নকশিল্লকপগী মতিক তপথবা হেনখ্রে।

- "অদুবু ঐখোয়নী মথক্কী কাদা কাদুনা করিনো অমুক্তদি য়েংলুসি।" মানা তপ্লা হায়রকখি, "ঐখোয়গী থোঙনাউগী পর্দা মরুমদগী লোইনা উবা ফংগনি।

অদুবু ঐখোয়নী কারুনবা থোঙ হেক হাংদোক্লুবা মতমদদি মথক কাফম থাক থাক কাফমদুদা মীরোৎ, মীচেন্দু ফি মচেৎ অমা শেৎলগা পাখৎনা লেপ্তুনা লৈরল্লে। মাগী মায়থোঙদু অকিবনা তাইফেৎ তাইখ্রে। ময়াকাদু কিবনা ক্রক ক্রক চিক্লে, মখূউ অনীদুসু চেঙ খৈবগুম নিক্লে। ঐখোয় হেক উবদা মহাক্তু ৱাফাও ঙাঙবা ঙম্বোই ঙমদবোই, হায়রক্লে -

- "ঐবু অমুক্তা কনবিয়ু। ঐবু অমুক্তা লোৎপিয়ু। মখোয়সিনা তান্নরকপনি, ঐগী কোন্থোং নমথেক্তুনা চঙলকপনি, লৈকোলকা লোইহৌরে। মখোয় য়ৌরক্লনি।

মেদাম্নসু মশক খঙবা ওইরে। লৈকায়দুমক্তদা লৈবা অহল ওইরবা ফিলোসোফর প্লাঞ্চোনেট ওইরল্লে। অদুনা অহলদুদা মেদাম্না হংখি - "ঐগী চাকথোংবী নুপীদুনা উহৌদ্রা, মাদি জাকোবিন কাঙবুগী মীনি।

- "মেদাম, ঐবু কনা অমত্তনা উহৌদে হায়না খল্লি।"

- "মদুমদি ঈশ্বরনা কনবিরবনি। লৈকায় অহল !"

মেদাম্না মাঙ থাদুনা অহলদু পুখ্রে মাগী তূম্ফম কা অদুদা। ঐসু মখোয় অনীগী মতুং অমুক ইন্নরে। মরমদি ৱা তানবা হায়বা অমা লৈরি। অহলদু লোৎহনবা হায়বসি নুমিৎ কয়ানি ওইবা য়ারি, প্লাঞ্চোনেটপু কদায়দনো লোত্তৌরিবা? নাতৈ চাদ্রবদি থিরিবা কাঙবু অসিনা হেক চোকথদ্রিফাওবা লোত্তবা য়াদবা ওইবসু য়ারিবনি। অদুনা মেদাম্না ঐবু মী লাকপা য়েংহল্লে, ঐনা হেক ইঙ্গিৎ পীখিবদা অহলদু লৈকোলগী থোঙ মচা, মনিংথোঙ অসোমদা চেলহলখিবা য়াগনি খল্লি।

ঙাইহাক্তং লোৎপদু অহলদু লেপ্লফাও ঙমজদ্রে। মহাক পাখৎপগা কিবগা পূনখ্রে। লোৎনা লোৎনা মখোয়না মাবু থিরকপগী মরমসু ৱারী লীরি। মহাকসি কাজোটটেগী মোন্সিয়ারগা লোয়ননা লৈবাক্কী কন্সটিট্যুসনগী মায়োক্তা য়ানীংদবা উৎলুবগী থিরক্লিবনি। অদুগী মথক্তা লৈবাক্কী নিংথৌগী অমদি পুরোহিটকী মায়োক্তা লৈবা টুইলরীজগী শৌগত্তুনা ওগষ্ট ১০দা লাউরুবগীনি। তৌবদি মদু পূম্নমক্তু লান্না মরাল শীবনি। তশেংবদি থিরক্লিবা লুবিন হায়বসিনা য়ানীংদবা মীখৈ মরাল পীরিবনি। লুবিন হায়রিবসি হান্না দুকান ফল্লম্বদগী ফম মচা অমা পায়রদুনা তৌরক্লিবনি, মাদুম চৈ চাম্মা ফূবা য়ারবা মীশকনি।

অহল অসি লুবিনগী মমিংদু পনবদফাওবা হেক মশক উনরবগুম মখূৎনা মমায় খল্লি। তাঞ্জাদুদা মপান্দগী খোঙউপ মখোল কারকপগী তায়। মেদাম্না থুনমক থোঙ লোনশিনখি, অদুগা অহল অদুবুনা পর্দা মরুমদা ইনশিনখি। মপান্দগী থোঙ থিল্লকখি, মেদাম পৌলিনদু কনানো হংখি, মানা মখোল খঙলে, মাগী চাক থোংবী নুপীদুনি। মানা পাউ পীরকই - ম্যুনিসিপালগী ওফিসরদু সিফাইশিংগা লোয়ননা কোন্থোংদা লেপ্তুনা লৈরে। চঙলক্কে হায়রি, যূম চ্যেক তৌগে হায়রি। নুপীদুনা মখা অমুক তারকখি :

- "মেদাম! মখোয়না হায়রিবা প্লাঞ্চোনেট হায়বদু ঐখোয়গী য়ূমসিদা লৈরম্নি হায়রি, ঐদি মখোয়না হায়রিবসি অরানবনি খঙই। ঐনা থাজৈ, মেদাম্না কৈদৌঙৈদসু অদুগুম্বা মী লোৎতুনা থল্লোই। অদুবু মখোয়না য়াবা কৌবা লৈত্রে।"

- "ফৈ ফৈ, চঙহল্লকউ, থোঙ হাংদোকউ কাখৎহল্লকউ।" মেদাম্না খুমখি, "মখোয়না য়েংনীংবা কা চঙহল্লু, দলান মথকফাওবা কাহল্লু। ৱাহৈশিংদু তাবদা প্লাঞ্চোনেট কৌবা অহলদুমদি পাখৎখিবনা কুচু তাইফেৎ তাইখ্রে। পর্দা মরুম অদুদা। ঐনা মকোক্তা, মরাইবক্তা ঈশিং থাদুনা কন্না হোৎনৈ। ঐনা ঈংথহল্লা মতমদুদা মেদাম্না হায় :

- "মরুপ! ঐবু থাজৌ! নুপী ওইবীদি পাইরক্কী লৌশিং য়াম্না লৈ হায়বসি কাউবীনু।"

অদুদগীদি মেদামদু নুংতিগী মানা ইমুংগী থবক শূবগুম থবক শূগৎলক্লে। মাগী ফমুং অদু খিত্তং চিংথোক্লক্লে। মাগী ফমুংগী মোম্পাক ফিদক লোইনা লৌখৎলে। ঐ য়াওনা হোৎনরে। অদুগা মোম্পাক ফিদক অহুমদুনা কাংখল ৱাংমদা খনখ্রে। ফক্লাংগা তাইননা।

মানা অদুম্না হোৎনরিঙৈদা মপান্দা খোঙউপ মখোল অমুক তারক্লে। মীনিল তারক্লে, থাক থাক কারকপদা। তাঞ্জা অদু কা মনুংদা লৈরিবা ঐখোয় অহুমগী খ্বাইদগী লুবা তাঞ্জা ওইখি। অদুবু কা-খৎলক্লিবশিংদু মথক্তা হান্না য়েংবা কাখ্রে। মখোয়বু লুচিংলিবনা মেদামগী চাকথোংবী জাকোতিন কাঙবুগী মী ওইরিবী অদুনি। লোইখ্রে মথক্তু শেৎ-ফাক্তুনা থিখ্রে। সিলীং মথক ফাওবা থিন-থিন্দুনা য়ংখ্রে। নোকসু নোক্লরি মথক্তা। পোৎ কাওবগী মখোলসু তায়। ঐখোয় শ্বর অমুক্তং হোন্দোকই, মতম মাঙহনবদি য়াখিদ্রে। ঐনা প্লাঞ্চোনেটতু ইনশিনখ্রে, ফমুংগা ফক্লাংগগী কারক অদুদা। মোম্পাক ফিদক মরুমদুদা।

ঐখোয়নীনা তৌরিবদু উরগা মেদাম পৌলিন মঙক হাইরকই, ফমুংদু নান্দ্রবদি খঙখ্রনি খল্লে। অদুনা ফমুংদু নান্থোকপা হৌখ্রে। অদুবু মানা হান্নগুম নানহলবদি ঙমদ্রে।

- "কান্নদে, ঐ ফমুংসিদা হিপচিন্নরগে।" মানা থুনা হায়রকখি, হায়না হায়না ঘড়ী য়েংই। তশেংনা পুং ৭ তাখ্রে। অদুনা মানা খল্লি পুং ৭তা হিপ্পা চঙবদি ঙনমল্লি, চিংনখিনি। নারে হায়রসু তৌশিন্নবা মানখ্রনি, মখোয়গী মীচং ওইবা চাকথোংবীদুনা শোয়দনা হায়দোকখিনি।

অদুনা মেদাম মিৎকুপ অমতং খনখি। অদুগা মহাক থুনমক মফি খরা লৌথোকখ্রে, ঐগী মাঙমক্তদা, ইকাই ইকি হুন্দোক্তুনা। ঐবুসু থুনা খোঙউপ লৌথোক্লো, কোট লৌথোক্লো, টাই লৌথোক্লো হায়রকখি। ঐখোয়নী নুংশিনবা শানদুনা হিপমিন্নবা শারসি হায়রক্লে।

- "থুরো! হোরেল মখোয়না থোঙ হাংদোকউ হেক হায়রকপদা নহাক্লা মোজাফুরিৎকা হৌগৎকদবনি, ফি-রোল শেৎপা নংদবা শাগদবনি, নশম ফাহনগদবনি।" মেদাম্না দ্রামা শান্নবা হৌখ্রে। লোইরে ঐখোয় শেম শাবা। তাঞ্জাদুদা মথক্তা থিরুবা কাঙবুদু মরোল লোন লোন্দুনা কূমথরক্লে। 'সোক্রে' 'পেষ্টে' হায় হায়দুনা।

মনুংদদি প্লাঞ্চোনেট হায়বা মরাইবক থীবদু কিবনা নিকলি। মানা নিকপদা ফমুংদুসু নিক্লকখি। অদুদগী হেন্দোক্তুনা মাগী শ্বরদুনা চাউখিবসিনা মপানগী কাঙবু ফাওবা তারমদৌ মাল্লক্লে।

- "অৱাবগী থবকনি।" মেদাম্না শোল্লি, "ঐনা শীল্লিবা থৌরাং য়ারে হায়নদি খল্লে। অদুবু ঐখোয় নীংবা কায়বা য়াদে, ঈশ্বরনা তেংবাংবীবা ওইসনু।"

তাঞ্জাদুদা থোঙ কন্না থীল্লকখি।

- "কনানো?" মেদাম পৌলিননা খুমখি।

- "লৈবাক্কী অঙম-অথৌশিংনি।"

- "ঙাইহাক্তং ঙাইবা তারে।"

- "থুনা হাংদোকউ, নৎত্রবদি থোঙ নমথেক্লনি।"

- "চৎলু, মরুপ! থোঙ অমুক্তা হাংবিরুচো।"

তাঞ্জাদুদা কমদৌখিবনো খঙদ্রে, প্লাঞ্চোনেট অদু পেকফাও লাউখিদ্রে। শ্বরফাও হোনখিদ্রমাল্লে।

লুবিন হায়বদুনা মাঙ থানা চঙলকখি। মঙক্তা ফি অমা য়েৎলকখি। অদুগা মাগী মতুংদা মী ১২ মুক্না চৈতুপ পায়রদুনা চঙলকখি। হেক চঙলকপগা ঐঙোন্দা হান্না য়েংলকখি। অদুগা অমুক মেদাম পৌলিন্দা মুন্না য়েংখি। লৈরম্লিবা ফীভমদু উবদা ঐবু য়েংলগা লুবিন হায়বদুনা হায়রকখি :

- "পেষ্টে! ঐখোয়না তৌরিসি মীগী নুংশিনবা অনীগী অচিকপা থুগাইবা ওইনা থোক্ল মাল্লে। ঐখোয়বু ঙাকপীবা তারে। নীংথিরবী!"

অদুদগী মানা মাগী তুং ইল্লকপশিংদুদা হায়খি :

- "লৈবাক মচা তাবা কাঙবু হায়বসি মানা মানা তৌথোক্লকপনা খঙনবনি। অদুবু মহাক হেক্তা থোকখিবদি তৌদ্রি। ফমুংদা ফমথরক্লে। মফি মওং তাদ্রিবা মেদামগী খদাংদু পায়খৎলগা হায়রকখি -

- "ফজবী নচিনবানসি অয়ূক নুমিদাং চূপ্পা লাইশোন্দা শোন্দুনা লৈয়ু হায়না থারকপা নৎতেকো। অদুম তৌরল্লবদি অৱাবনি। পূম্নমক্কী মথক্তা রিপব্লিক অসি লৈবনি। ঐখোয়না থিরিবসি থাজবা হাৎপা প্লাঞ্চোনেট হায়বদুনি। মফম অসিদা মহাক লৈরমগনি হায়বসি ঐগী থাজবনি। মাবু ফাবা হায়বসি ঐগী অরেপ্পনি। মহাকপু ফাঁসি তৌদুনা শোয়দনা হাৎকনি। অদুনা ঐগী অফবা ওইদৌরিনি।"

- "অদু ওইরগা থিরোদনা।"

মখোয়দু ফুক হৌগৎনৈ, থিবা হৌখ্রে, চৌক্রি, টেবল, পোৎ থম্ফম কার্পেদ অমতা খাকত্রে, শেৎতনা ফাক্তনা থিবা হৌখ্রে। চৈনা থিল্লি, সঙ্গিন্না থিল্লি, পর্দাফাও থিনদৎলে।

লুবিন মনা হোৎলি, অদুগা ঐঙোন্দা য়েংলকখি। মেদাম অদু ঐবু ওৎপিরদ্রা পাখৎলি, তাইনফম লৈত্রদুনা। অদুনা মানা তপ্লা হায়রকখি ঐঙোন্দা - "মরুপ! নঙদি য়ূমসিসু ঐবুসু মুন্না খঙবা ঙাক্তনি। অদুনা শো অসি লৌবিরো, লোইনা হাংদোক্তুনা মোনসিয়ার লুবিনবু পেন্না অমুক্তা য়েংহনবীরু। নঙনা মরৈবাক নীংবা লুবিনগুম্বগী মতেং পাংবদি হরাউফম থোকইনা।"

ঐনা শো লৌরে। অদুগা কা খুদিং শো হাংদুনা য়েংহল্লে। হেক য়েংবা য়াবা, থিবা য়াবা থিহল্লে। য়ু থেংনরে থকতোক্লে। য়ু চফু অদুসু মখোয়না থিনগায়রুদুনা কাদু য়ুনা তাউখ্রে। ইকাইরক্লব্রা করিনো চৎলগে হায়রে, ঐনা মখোয়বু কোন্থোংফাও থিন্দোক্লুরে। হেক লান্থোকখিবগা ঐনা কোন্থোংদু লোনশিল্লল্লে। অদুগা মেদামগী নাক্তা চেল্লক্লে। দশা কোক্লে হায়না তল্লুনবা।

পাউ অদু তাবদগী মেদামনা ফমুং নাকললোমদা ওনশিল্লগা হায়খি :- মোনসিয়ার প্লাঞ্চোনেট! মোনসিয়ার প্লাঞ্চোনেট!

শ্বর পিক্লা, খোল পিক্লা খুল্লকখি। মেদাম্না মখা তাখি :

- "ঈশ্বরনা চানবীরে। মোনসিয়ার প্লাঞ্চোনেট নঙনা ঐবু খ্বাইদগী অকিবা তাঞ্জা অমা পীররে। ঐদি নহাক অসি শিরে হায়না খনখ্রে।"

ঐঙোনলোমদা অমুক ওনশিল্লগা হায়রকখি :-

- "অদুগা মরুপ নঙসু ঐবু মতম পূম্বদা নুংশি হায়রগা হরাউজবদু মতুংদদি অমুক হন্না হায়রক্নু।"

মৈতৈলোন্দা : সলাম তোম্বা
(ফ্রান্সকী ৱারীমচা)

# রাগ দরবারী-১৬

হিন্দীদা - শ্রীলাল শুক্লা

(হান্নগী মখা...)

"নংনা খঙবা ঙমদ্রে দাদা, লৈবাক অসিগী এদুকেসনগী সিষ্টম তশেংনমক য়াম্না ফত্রে। অফাও-অফাওবা পোলিটিসিয়নশিংনসু ৱাফম অসি হায়নৈ। ঐ মখোয়গী ৱাদু য়ানিংই...।"

"অদুনা তাকপদি নহাক কোলেজ অসিগী ফীভম ফজনা খঙদ্রে। ঙাওশিন্নবা অমদি লমহেনবা মীশিংগী মফমনি। ওজাশিংনা লাইরিক তাকপী-তম্বীবগী মহুত্তা শুপ্নগী পোলিটিক্সতা খৎনদুনা লৈ। অয়ুক-নুমিদাং পাবুংদা প্রেসর পীদুনা লৈ- অদু তৌ, আদা তৌ, তলব হেনগৎলু, ঐখোয়গী ঙকশমদা মালিশ তৌ। ফীভম অসিদা কনানা এগজামদা পাস তৌবা ঙমদোইনো...?"

"চুম্মী। ইকাইখংদবা নুপামচা খরসু লৈ, করি-করিগুম্বা মতমদা পাস তৌবসু য়াওই, অদুবু মদুনা...।"

কা অমগী মনুংদা *ৱেদ্যজী* অনাবশিংদা হিদাক পীদুনা লৈরম্মী। ইখঙ খঙহৌদনা মহাক্লা মফম অদুদগী হায়রকই, "তুমিন্না লৈয়ু *রুপ্পন*। মসিগী ফত্রবা সিষ্টম অসি লোয়বা নাইগদবা নত্তে।"

নোংথক্তগী তাইবং মপুনা লাউথরকপা মাল্লি: 'পাখৎকনু বাসুদেভ, কংসকীসু অরোইবা মতম শোয়দনা লাক্লগনি।' *রুপ্পন বাবু* তুমিন্না লৈখ্রে। *রঙ্গনাথনা* কা অদুগী মায়কৈদা মমায় ওনশিন্দুনা হৌনা হংলকই, "মামা, অদোম কোলেজ অসিগা করি মরী লৈনবগে?"

"মরী?" কা অদুদা *ৱেদ্যজী*না হৌনা নোক্লকপা অদু নিন্দুনা লৈ। "নং খঙবা পাম্বরা কোলেজ অসিগা ঐগা করি মরী লৈনৈ হায়বা? *রুপ্পন, রঙ্গনাথ*কী খঙনিংবা ফাওরিবা অদু কোকহল্লু।"

*রুপ্পনন্না* ব্যুজিনেস চাউনা তৌবা মীশক অমগী মওংদা হায়রকই, "ঐগী পাবুং কোলেজ অসিগী মেনেজরনি। ওজাশিংগী লাকপা-চৎপা মাগী মখুৎতা লৈ।"

*রঙ্গনাথ*কী মায়থোংদা ৱাফম অদুগী লুম্না মমি তাবা অদু উরদুনা মহাক্লা অমুক্কা হায়, "মাগুম্বা মেনেজরদি চাউরবা লৈবাক অসিদা ফংলোই। অচম্বা মীগী ওইনদি য়াম্না চম্বা অদুগা লমহেনবশিংগী ওইনা লমহেনবা ইমুংনি।"

*রঙ্গনাথনা* পাউ অদু তুমিন্না খঙজিল্লি অদুগা শুপ্নগী করিগুম্বা খরা হায়বা ফৈ খনদুনা হায়, "অদুগা কোওপরেটিপ য়ুনিয়নগীদি করম্বা ফীভমদা লৈরিবগে? মামা মদুগীসু করিগুম্বা অমা ওইরম্মী।"

"ওইরম্মী নত্তে, ওইরি।" *রুপ্পন বাবুনা* খোল কল্লপ্না হায়, "মেনেজিং দিরেক্টর ওইরম্মী, ওইরি অমসুং ওইদুনা লৈগনি।"

*ৱেদ্যজী* ওইরম্মী, ওইরি অমসুং ওইদুনা লৈগনি।

অঙ্গ্রেজশিংগী মতমদা মহাক অঙ্গ্রেজশিংদা ইকায়খুম্নবা উৎলম্মী। লমদম অসিগী মীওইনা লৈবাক ঙাক্লবা তুং মখোয়দসু ইকায়খুম্নবা উৎপা হৌরকই। মহাক লৈবাক অসিগী অহল ওইরবা লৈবাক নীংবা মীশক অমনি। হৌখিবা মতমগী অচৌবা লানফমগী মতমদা, লৈবাক অসি জাপান লৈবাক্তগী খুদোংথীনিংঙাই ওইরকপা মতমদা, মহাক্লা অথাপ্পা নোংপোক থংবা শরুক্তা লানথেংননবগী আর্মি খলহনখি। ঙসি তঙাইফদবা লৈরক্লবা মতমদা নুমিদাং অমাখক্তদা মহাক্লা মহাক্কী পোলিটিক্স গ্রুপতা য়াল্লবা মেম্বর কয়া অমসু য়াওহনখি। হান্নসু মহাক লৈবাক মীয়ামগী থৌগল তৌরদুনা ৱাৱেন তৌফমশিংদা জুরি মেম্বর অমসুং ওফিসার ওইদুনা, শেল থুমগী কেশশিংদা প্রোপর্টিশিংগী লুচিংবা ওইদুনা অমসুং খুঙ্গংগী শেল পাইবশিংগী মকোক ওইদুনা থবক কয়া তৌখি। হৌজিক্লা মহাক কোওপরেটিপ য়ুনিয়নগী মেনেজিং দিরেক্টর অমসুং কোলেজ অসিগী মেনেজর ওইরি। অশেংবমক্তি মহাক হায়রিবা পোষ্টশিং অসিদা থবক তৌবা পামদে, মরমদি মহাক অচৌবা পোষ্টশিংগী ওইনা কলকপা লৈতে। অদুবু মফম অসিদা থৌদাং চাওখ্রবা অসিগুম্বা থবকশিংদা মপুং ফানা থবক তৌবা ঙম্বা কনা অমত্তা লৈতে। মফম অসিদা লৈরিবা নহা অয়াম্বা, লৈবাক পূম্বগী নহাশিংগী ওইরিবা অতনবা মতৌ অদুগুম মখোয়সু ওই। মরম অদুনা হনুরবা ফাওবদা থবকশিং অসি য়েংশিনবা মথৌ তারিবনি।

হনুবা! *ৱেদ্যজীগী* ওইনা ৱাহৈ অসিগী শিজিন্নফমদি শুপ্নগী এরিথমেটিকতা উপায় লৈতবনা শিজিন্নৈ মরমদি মশীং থীবদা মহাক্কী চহী ৬২ শুখ্রে। অদুবু সিটি ময়োনশিংদা লৈদুনা লৈবাক্কী থৌগল তৌবা য়াল্লবা অচৌবা মীশক্লুম্না মহাকসু চহী য়াল্লবসু হনুবা ওইদ্রি অমসুং অচৌবা মীশকশিং অদুগী মতৌগুম *ৱেদ্যজীগী*সু ৱাশক অমা লৈজে মদুদি ঐখোয় শিরবা মতুংখক হনুবা হায়বদু ওইগনি। অমসুং মীশিংনা ঐখোয়দা হনুরে হায়না থাজবা পীরক্তি ফাওবা হায়বদি নং শিরবনি, হায়দ্রিবা ফাওবা ইশাবু হিংলি হায়না খনগনি অমসুং লৈবাক্কী থৌগল তৌদুনা লৈগনি। অচৌবা পোলিটিসিয়নশিংগুম্না মহাকসু পোলিটিক্সপু হঙ্গোইরম্মী অমসুং পোলিটিসিয়নশিংবু নোক্লরম্মী। *মহাত্মা গান্ধী*গুম্না মশাগী পোলিটিকেল পার্টিদগী মহাক্কী ওইবা ফম অমত্তা লৌরমদে মরমদি অনৌবা মীশিংবু মহাক্লা য়োকখৎপা পাল্লম্মী; অদুবু কোওপরেটিপ অমসুং কোলেজকী থবকশিংদা মীয়াম্না মহাকপু থৌ পুদবা য়াদে হায়বদগী মহাক্লা উপায় লৈতদনা মীয়ামগী অপাম্বা অদু য়াখিবনি।

*ৱেদ্যজী*গী শিনফম লায়েংবা অমসু ওই। লায়েংবা অমা ওইনা মহাক লাইয়োং অনীখক য়াম্না ফজনা য়েংবা হৈরম্মী: 'লায়রবশিংবু লেম্না লায়েংবা' অমসুং 'কান্নবা ফংদ্রবদি অয়েংমল হন্দোকই'। লাইয়েং অদুনা অনাবা ফখিবদুনা তোঙানবা ৱাফম অমনি, *ৱেদ্যজী* মশামকসু নুংঙাইনা পোৎথাবগী মঙোন্দা মতমগী অৱাৎপা লৈরমদে।

-মথং-মথং

মীতৈলোন্দা - ডা. খাইদেম অথৌবা মৈতৈ

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।